# য়ু এন চীফ গ্যুতেরেস হুন্নিগী খোঙচৎতা ইন্দিয়াদা থুংলখ্রে
## কাশ্মীর ৱাথোক্কী মতাংদা সেপরেটিষ্ট লীদরশিংনা মঙোন্দা চিঠি ইখ্রে



***ন্যু দিল্লি/শ্রীনগর, ওক্টোবর ১***

য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্রেটরী জেনরেল এন্টোনিও গ্যুতেরেসনা ইন্দিয়াদা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ ওইনা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ন্যু দিল্লিদা থুংলখ্রে।

য়ু এন লুচিংবা অসিনা মফম অসিদা নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা থুংলখি অমসুং সেনিয়ার য়ু এন ওফিসিয়েলশিংনা মহাকপু ওকখি হায়না ৱার্ল্ড বোদি অসিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

মহাক্না নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎ মনুংদা ক্লাইমেট চেঞ্চ অমসুং টেরোরিজমগুম্বা মালেমগী মরু ওইবা হীরমশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লৈবাকসিগী মকোক থোংবা লীদরসিপকা উন্নদুনা খন্ন-নৈনরবা য়াই।

অমরোমদা য়ু এন লুচিংবা অসিনা ইন্দিয়াদা চৎকদবা খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াদগী তোঙান তানিংবা কাশ্মীরগী লুচিংবশিংনা কাশ্মীরগী ৱাথোক্কী ৱারোয়শিন অথুবা মতমদা পুরকপগী মথৌ তাবা অদুদা পূক্নীং চঙশিল্লুনবা চিঠি অমা মাঙজৌননা ইখ্রে।

খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা য়ু এন লুচিংবা অসিনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা টেরোরিজম থেংনবদা অমসুং হিংশাগী ওইবা এক্সত্রিমিজম থিংবদা ইন্দিয়ানা য়ু এন গী মরু ওইবা খোঙলোই অমনি হায়খি। টেররদা শেল থাদবা থেংনবগী শক্তি কনখৎহন্নবগী মতাংদা য়ু এন অমসুং ইন্দিয়াগগী মরক্তা তেংবাঙনবা হেনগৎহন্নবগী থৌরাংশিংসু লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসি হয়েং ওক্টোবর ২ দা থোক্লিবা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্লবা থৌরমশিং হৌবগা মতাং চাগনি। মহাক্না মহাত্মা গান্ধী ইন্টর্নেস্নেল সেনিতেসন কনভেন্সনদা শরুক য়াগনি অমসুং নরেন্দ্র মোদি উন্নগনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরী জেনরেলগী ৱাঙাংলোই ঙমথং হরহান হকনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না গ্লোবেল চেলেঞ্জেস, গ্লোবেল সোলুসন্স হায়বসিগী থিমদা ইন্দিয়া হেবিটেট সেন্টরদা ৱা ঙাংগনি।

মহাক্না হয়েং লোক সভা স্পিকর সুমিত্রা মহাজন উন্নগনি। ইন্টর্নেস্নেল সোলার এলায়েন্সকী অনীশুবা রি-ইনভেষ্ট অমসুং অহানবা এসেমব্লি শরুক য়াগনি। ইন্দিয়ান ওসিন রিম এসোসিয়েসনগী মেম্বর লৈবাকশিংগী ইনর্জি মিনিষ্টরশিংগসু উন্নগনি।

ওক্টোবর ৩ দা য়ু এন সেক্রেটরী জেনরেলনা মফম অসিদা 'চেম্পিওন্স ওফ আর্থ' থৌরম শরুক য়াগনি অমসুং এক্সতর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগা উন্নগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা মহাক্না অমৃতসরদা গোল্ডন টেম্পলদা চৎকনি অমসুং ওক্টোবর ৪ গী অয়ুক অঙনবদা ন্যু য়োর্ককীদমক ন্যু দিল্লি থাদোকখিগনি।

য়ু এন চীফকী ইন্দিয়া খোঙচৎকী মাঙওইননা ইন্দিয়াদগী তোঙান তানবা হোৎনরিবা কাশ্মীর সেপরেটিষ্ট লুচিংবশিংনা কাশ্মীর ৱাথোক অথুবা মতমদা লোইশিন্নবগী মথৌ তাবদা মহাক্কী পূক্নীং চঙশিনবীনবা চিঠি অমা ইখ্রে হায়রি।

সেপরেটিষ্টশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা জোইন্ট রেজিষ্টেন্স লীদরসিপ (জে আর এল) না চিঠি অদুদা কাশ্মীরগী মতাংদা য়েৎনরিবা অসি লোইশিন্নবগী অথুবা মথৌ তাবা লৈরিবসি য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

সায়েদ অলি সাহ গীলানি, মিরৱাইজ উমর ফরূক অমসুং মোহম্মদ য়াসিন মালিকনা থৌ পুরিবা জে আর এল না চিঠি অদুদা ফোঙদোকখিবদা কাশ্মীর ৱাথোক্কী মতাংদা ইন্দিয়ানা ৱারী শান্নসি য়াদবা অসিনা কাশ্মীর খক্তদা নত্তনা সাউথ এসিয়ান রিজন পূম্বদা ৱাখলনা লামশিনবা ঙমদবা চাং য়ৌনা শোকহল্লে হায়খি।

ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাশ্মীরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী মতাংদসু লুচিংবশিং অসিনা য়ু এন চীফকী মফমদা পুখৎখি।

# য়ুহার হাবা অমসুং সুনামি থোকখ্রবা ইন্দোনেসিয়াগী সুলাৱেসিদা জেল ৩ দগী বন্দি ১,২০০ রোম চেনখ্রে




***জাকার্তা, ওক্টোবর ১ ঃ***

ইন্দোনেসিয়াদা মীওই ৮০০ হেন্না শিহনখ্রবা মেগ্নিচুদ ৭.৫ কী অকনবা য়ুহার হাবা অমসুং মদুনা থোকহল্লকখিবা সুনামিগা লোয়নন মাঙ-তাকহনখ্রবা সুলাৱেসিদা তোঙান তোঙানবা জেল অহুমদগী ইন্দোনেসিয়াগী কনভিক্ট ১,২০০ রোম নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা জষ্টিস মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সুনামিনা মাঙ-তাকহল্লবা পালু সিটিদা শুপ্নগী মীওই ১২০ খক্কী থন্নবা শাবা জেল অমদগী বন্দি ৫৮১ না গার্দশিং নমখাইরগা ৱালশিং থুগাইরগা চেনখ্রে।

অহানবদদি করিগুম্বা ইরাং অমত্তা লৈখিদে অদুবু য়ুহার হারকখিবা মতুংদগীদি জেল অদুগী লম্পাক্তা বন্দিশিং অদুনা পাখৎপগা লোয়ননা লম্বীদা চেম্থোক্লককখি। য়ুহার হায়বা অদুনা মখোয় শোক্লগনি কিবদগী মখোয়না নাম্বোক্তুনা চেনবা ওইগনি হায়বসি ঐনা থাজে হায়না জষ্টিস মিলিটরিগী ওফিসিয়েল শ্রী পুগুহ উতামিনা হায়খি। মসি বন্দিশিং অদুগী শিবা অমসুং চঙবগী ৱাফম অমনি হায়খি।

পালুদা মী হেন্না থমজিল্লবা জেল অমদগীসু জেল অদুদগী মরু ওইবা থোঙ অদু থুগায়রগা বন্দিশিং অদু চেনখ্রে। মসিদা নত্তনা দোঙ্গলাদা লৈবা অতোপ্পা জেল অমদগীসু বন্দি পূন্নমক চেনখ্রে। দোঙ্গলা জেল অদু মৈ থাখি অমসুং মদুদা লৈরিবা বন্দি ৩৪৩ অদু লোয়নমক চেনখ্রে। বন্দিশিং অদুনা য়ুহার হাবা অদুদা করি থোক্লম্লগদগে হায়দুনা মখোয়গী ইমুং-মনুংশিং য়েংবা চৎনবা দিমান্দ তৌদুনা জেল অদু মৈ থারকখিবনি। চেনখিবা বন্দিশিং অদুগী মনুংদা খরদি করপসন অমসুং নার্কোটিক্স ওফেনশিংগীদমক চৈরাক পীদুনা জেলদা থম্বনি। টেররগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী কনভিক্সন পীরবা মীওই ৫ দি মাঙ-তাকপগী থৌদোক অদুগী শুপ্নগী মিনিট ৪০ নি মমাঙদা জেল অদুদগী হোংদোকখ্রে।

হৌজিক মফম অসিগী জেল অনীদা বন্দি ১০০ রোম খরা হেন্না লৈরি। অদুবু জেল ওথোরিটিজনা মখোয়গী চান-থক্লবা পীবদা অৱাবা ওইরে। জেল অসিদা হৌজিক চাননবা চিঞ্জাক মতীক চানা লৈত্রে হায়না উতামিনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 24/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 558/19kg 36
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 21/07/18
Valid : 29/06/18
Stk : 306 DVDL
19 Kg 100
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 03/07/18
Valid : 24/06/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 09/07/18
Sl. No. 7201 upto 7610
Valid : 07/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 05/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 11/08/18
Valid : 08/08/18
Stk : 612
Rate : Rs. 998.50/-
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 05/07/18
Valid : 02/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas**
Booking : 19/07/18
Sl. No. 5190 upto 5321
Valid : 18/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

# নরেন্দ্র মোদি, উজবেক প্রসিদেন্ট মিরজিয়োয়েব উন্নখ্রে, লৈবাক অনীগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট ১৭ সহি তৌনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১***

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা মহাক্কী অহানবা ষ্টেট ভিজিটতা উজবেকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট শাবকত মিরজিয়োয়েব ইন্দিয়াদা থুংলখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহাক্কা উন্নদুনা দেলিগেসন থাক্কী ৱারী শান্নখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সতর্নেল এফিয়ার্সনা ফোঙদোকখ্রে।

মরুপ-মপাং ওইবা মতাং লাকপদা ঐখোয়না চপ মান্নবা লোল অদু ঙাংই হায়না ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উজবেক প্রসিদেন্ট মিরজিয়োয়েবপু দেলিগেসন থাক্কী ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা হায়দরবাদ হাউসতা তরাম্না ওকখি।

লুচিংবা অনীনা সেক্তর কয়ামরুমদা অমগা-অমগা পূন্না থবক পায়খৎননবা য়ান্নখি। দিপ্লোমেটিক পাস্পোর্ট পায়বশিংগীদমক ভিসা ফ্রী ত্রেভেল অমসুং টুরিজম, নেস্নেল সেক্যুরিটি, দিপ্লোমেটশিংগী ত্রেনিং অমসুং ট্রাফিক্কিংগী হীরমশিংদা তেংবাঙনবগী য়াওনা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিষ্টাননা এগ্রিমেন্ট ১৭ সহি তৌনখি।

এগ্রিমেন্টশিং অদুগী মনুংদা মিলিটরি এদুকেসন, এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ সেক্তরস, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং হেল্থ এন্দ মেদিকেল সাইন্সতা তেংবাঙনবগীসু য়াওরি। মসিদা নত্তনা ফার্মা সেক্তর, ট্রাফিক্কিং অমসং ইল্লিসিট নার্কোটিক দ্রগশিং থিংবদা তেংবাঙনবসু য়াওখি।

লৈবাক অনীনা শান্তিগী হীরমশিংগীদমক আউটর স্পেস এক্সপ্লোরেসনদসু তেংবাঙনগনি। ইন্দিয়া-উজবেকিষ্টান ব্যুজিনেস কাউন্সিলগী খুথাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ব্যুজিনেসগী মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি। হীরম অসিগীসু এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখ্রে।

## কোর্টনা এক্টিভিষ্ট গৌতম হাউস এরেষ্টতগী থাদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১***

কোরেগাও-ভিমা কেস ২৪ গা লোয়ননা মহারাষ্ট্র পুলিসনা ফাখিবা রাইটস এক্টিভিষ্ট ৫ গী মনুংদা অমা ওইরিবা গৌতম নবলখাবু দিল্লি হায় কোর্টনা হাউস ওরেষ্টতগী থাদোকখ্রে।

মহাকপু ফাদুনা থম্লগী মতম পূং ২৪ হেনখ্রে। মসি য়ানিংঙাই ওইদে হায়না জষ্টিস এস মুরলিধর অমসুং জষ্টিস বিনোদ গোয়েলনা শাবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি।

## হেলিকোপ্টর ক্রাস-লেন্দ তৌখ্রে

***ভেল্লোর, ওক্টোবর ১***

ত্রেনিং সোর্টি অমদা পাইখিবা ইন্দিয়ান নেভিগী চেতক সি ঐচ-৪৪২ হেলিকোপ্টর অমা নেভেল এয়ার ষ্টেসন আই এন এস রাজালিদা ক্রাস-লেন্দ তৌখ্রে। ক্রু অদু অশোক-অপন থোকহৌদ্রে হায়রি।

# পেরদ এটেককী অশাওবা ফোঙদোক্তুনা ইরানগী রিভোলুস্নরি গার্দসনা সিরিয়াদা মিসাইলশিং কাপশিনখ্রে



***তেহরান, ওক্টোবর ১ ঃ***

ইরানগী অহবাজ সিটিদা সেপ্টেম্বর ২২ দা পাঙথোকখিবা মিলিটরি পেরদতা এটেক চথরকখিবা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিখিবা অমসুং ৬০ হেন্না শোকখিবনি। এটেক অদুগীদমক সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসতা মরাল শীরদুনা ইরানগী রিভোলুস্নরি গার্দসনা লৈবাক অনী অসিদা পান্দম থমদুনা ঙসি অঙনবদা বালাষ্টিক মিসাইল ৬ নোংপোক থংবা সিরিয়া তম্না কাপখ্রে। কাপখ্রিবা মিসাইলশিং অদু লৈবাক অনীসিগী মনুংদা লৈরিবা য়ু এস মিলিটরি বেজশিং অমসুং তার্গেটশিংদা থানবগী মতীক চাবা রেঞ্জ লৈবা ঙাক্তনি।

মিসাইলশিং অদু মহাক্কী তুংলোমদা কাপখিবনি হায়না ইরানগী ষ্টেট টি ভি গী রিপোর্টর অদুনা হায়খি।

মখোলশিং অসি ইস্লামিক রিভোলুসন অদুগী রিভোলুস্নরি গার্দসশিংগীনি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অমেরিকা, জিওনিষ্ট (ইজরেলি) রেজিম অমসুং অল সাউথ (সাউদি অরাবিয়া) গী রোয়েল ফেমিলিনা মখোল অদু তাবা ফংলগনি হায়খি।

ইরানিয়ান ষ্টেট টি ভি অমসুং আই আর এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা শন্নপ্পা মিসাইলশিং অদুনা সিরিয়াদা মিলিটেন্টশিং হাৎখ্রে অমসুং শোকহনখ্রে হায়খি। মদুগী মতুংদা মফম অদুদা ইরাননা দ্রোন এটেকশিংসুচথখি। সিরিয়ান ষ্টেট মেদিয়ানদি এটেক অদুগী মতাংদা খুদক্তা ফোঙদোক্লককখিদে।

ইরানিয়ান টি ভি না মিসাইলশিংদু কদায়দগী কাপখৎলকপনো হায়বা মশক তাক্লদুনা ইরানগী নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স কেরমানশাহদগীনি হায়না মশক তাকখি।

অরাপ্পা খা-নোংচুপ সিরিয়াগী বৌকমাল সিটি মনাক্তা তারক্লিঙৈগী মমাঙদা মিসাইলশিং অদুনা ইরাক্কী টিক্রিট সিটি মনাক্তা ময়ায় থংবা ইরাক্কী নোংথক্তা পাইখিবগী গ্রাফিক্ট অমসু ইরনিয়ান টি ভি না উৎলকখি।

ইরানগী মিসাইলশিং অদুনা বৌকমালগী হেক অৱাংদা আই এস না পায়রিবা হাজিন তাউনদা পানখি হায়না বৃতেনদা লৈবা সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মকোক রামি অব্দুররহমননা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি।

ঙসিগী অঙনবদা অকনবা পোকখাইবগী থৌদোকশিংনা মফম অদু নীকখি। কর্দিশ ফোর্সশিং মতেং পাংলিবা য়ু এস মিলিটরিগী সেন্ত্রেল কম্মান্দনা মফম অদুদা ইরানগী ফোর্সশিংনা এটেকশিং তৌরকখ্রে হায়বদু ফোঙদোকখি।

হৌজিক য়ু এস না লুচিংবা কোলিসননা ইরানগী বালাষ্টিক মিসাইল এটেকশিং অদুনা থোকহনখিবা মাঙ-তাকপশিং খঙনবা হোৎনরি অমসুং কোলিসন ফোর্সকী নাকলদা খুদোংথিবা করি থোকপগে য়েংশিল্লি হায়না য়ু এস আর্মি কর্নেল সিন রিয়াননা এ পি দা ফোঙদোকখি।

# চিনানা য়ু এস কা সেক্যুরিটি ৱারী শান্নবা তোকখ্রে



***ৱাসিংতন, ওক্টোবর ১ ঃ***

চিনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটকগী মরক্তা উংখৎনরিবশিং অসিগী মতাংদা মীপাইনিংঙাই মরম অমত্তা লৈতে হায়না মকোক থোংবা চাইনিজ ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা সেনিয়ার য়ু এস ওফিসিয়েল অমনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা ওক্টোবর থাদা থৌরাং তৌরম্বা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরীগা পাঙথোক্কদবা সেক্যুরিটিগী মীফম অমা চিনানা ককথৎলকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদু পাঙথোকখিগদ্রা নৎত্রগা করম্বা মতমদা অমুক হন্না পাঙথোক্লবা মতম লেপকনি হায়বদু হৌজিক শেংনা খঙদ্রি হায়না চিনা পোলিসিগী মতাংদা য়াওরিবা ওফিসিয়েল অদুনা মশাগী মশক-মমিং তাক্তনা হায়খি।

সেক্যুরিটিগী মীফম ককথৎলকখিবগী ৱাফম অদু ন্যু য়োর্ক তাইমসনা অহানবা ওইনা ফংলকখিবনি। মীফম অদু ককথৎলকখিবগী মরম অদু খৃৎলাই য়োনবা, অমসুং সাউথ চিনা সি অমসুং চিনাগী অকোয়বদা লৈবা ঈশিং য়োনফমশিংদা মিলিটরিগী এক্টিভিষ্ট চথবা অসিগুম্বা হীরমশিংগী মতাংদা বৈজিং অমসুং ৱাসিংতনগী মরক্তা য়েৎনবদগীরা হায়বদুসু শেংনা খঙদে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

লৈবাক অনীসিগী মরক্তা ললোন-ঈতিক্কী মতাংদা লাল অমসু কন্না চথরিবনি অমসুং অমনা অমগী মথক্তা ইম্পোর্টশিংদা তাঙ্কক কয়ারক থোক্না টেক্স হেনগৎনরকখ্রবনি।

## এ কে রাইফল ৭ পুরগা চেনখিবা এস পি ও লালহৌবদা য়াওখ্রে

***শ্রীনগর, ওক্টোবর ১***

হৌখিবা চয়োলদা এ কে-৪৭ রাইফল ৭ অমসুং পিষ্টোল অমগা লোয়ননা চেনখিবা স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার (এস পি ও) অমা লালহৌবা হিজবুল মুজাহিদীন য়াওখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

শ্রীনগরগী জৱাহর নগরদা এম এল এ আইৱাজ মিরগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতগী সেপ্টেম্বর ২৮ দা খৃৎলাই ৮ গা লোয়ননা চেনখিবা আদিল বাশিরবু তেংবাঙখিবা মীওইশিং অদু পুলিসনা মশক খঙবা ঙম্লে হায়রি। ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক এম এল এ অদুগী পার্সোনেল সেক্যুরিটি গার্দ ১০ পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

## লুপা লাক্ষ ৯৬ কী ফোরেন করেন্সি পুরম্বা ইন্দোনেসিয়ানা ফারে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১***

ইরাই নুমিত্তা শিঙ্গাপোরদা পাইখিগদবা ইন্দোনেসিয়ান নুপা অমা দিল্লি এয়ারপোর্টতা মশা অমসুং মহাক্কী বেগ্গেজ চেক তৌবদা লুপা লাক্ষ ৯৫.৭৪ (য়ু এস দোল্লর ১,৩০,০০০) ফারে হায়না ঙসি কষ্টমস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সেপ্টেম্বর ২৫ দা ইন্দিয়াদা মহাক্না পুশিল্লকখিবা সনা কেজি ৩ অদু য়োনখিবগী মমল ওইনা শেনফম অদু ফংবনি অমসুং মদু অমুক হন্না পুনবা হোৎনবনি হায়না ৱাহং-পাউহং চথবদা পেসেঞ্জর অদুনা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

# খালিষ্টান লিবরেসন ফোর্স (কে এল এফ) অথিংবা থন্নবা এন আই এ না হোম মিনিষ্ট্রিদা তকশিনখ্রে




***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১***

আর এস এস লুচিংবশিংদা খালিষ্টান লিবরেসন ফোর্স (কে এল এফ) না এটেক তৌখি অমসুং পাকিষ্টানগী আই এস আই গী মতেংগা লোয়ননা পঞ্জাবতা মিলিটেন্সিগী থবক অমুক হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনৈ হায়না ইন্দিয়ান এজেন্সিশিংনা থেংনখ্রবা চপ-চানা চহী ১ রোমগী মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খালিষ্টানি গ্রুপ অসিবু অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (য়ু এ পি এ) গী মখাদা অথিংবা থন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

হৌজিক্তি শিখ্রবা হর্মিন্দর সিংহ মিন্তুনা কুমজা ২০১০ দা নৌহৌনা হিঙ্গৎহনখিবা অমসুং য়ু কে দা লৈবা গুরশরনবির সিংহ অমসুং পাকিষ্টানদা লৈবা হরমীত সিংহনা চল্লাইবা কে এল এফ না য়ু কে, য়ু এ ই, পাকিষ্টান, অষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইতালি য়াওনা লৈবাক কয়ামরুমদগী তেংবাঙশেল ফংই হায়রদুনা নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) দগী মরীক চুম্বা ৱারোল অমা হোম মিনিষ্ট্রিনা ফংলে হায়না মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা লীখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি লৈবাক অসিগীদমক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়নসু এন আই এ না ফোঙদোকখি।

কে এল এফ পু অমুক নৌহৌনা হিঙ্গৎহল্লকখিবা হরমিন্দর সিংহ মিন্তু এপ্রিল থাদা পাতিয়ালা জেলদা হার্ট এটেক অমা তৌবদগী শিখিবনি। কে এল এফ পু অথিংবা থন্নবগী ৱারেপ অমা থুনমক লৌরগনি। খালিষ্টানি টেরর গ্রুপ অসিগী ফন্দিং, ত্রেনিং অমসুংরিক্যুটমেন্টগী থবকশিং ঙমহন্দনবা অথিংবা অসি মথৌ তাই হায়না মিনিষ্টর ওফ হোম এফিয়ার্সকী ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি। হোম মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না কে এল এফ না অথিংবা থমখ্রবা সিখ এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ ৪০ শুবা ওইরগনি।




Eikhoigee Marupsingee Apunba (EMA) লিলোং চজিং অৱাং লৈকাইনা শিন্দুনা Sunday, 30th September, 2018 দা ১২২ শুবা Hijam Irabot মপোক কুমোন নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা Social Service অমা Chajing Kangjeibung পাঙথোকখ্রে।


## স'ঞ্চ৪/খঙহজ্ঞবা

ইম্ফাল, তাং ২৬।০৯।২০১৮

নিংঙোম্বম শাগৈ ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শিঞ্জ-লাংজদুনা এন এস ডি ও গী মরিশুবা মেরিটোরিঅস অমদি এচির্ভস এৱার্দ য়েম্থোকপগী থৌরম লাক্লিবা তাং ০৭।১০।২০১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পূং ১১.৩০ তাবদা লময়ানবা শঙলেন কোনুং লম্পাক্তা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা BOSEM, COHSEM অমদি CBSE না ২০১৮ দা লৌখিবা X, XII (Science, Arts & commerce) Exam দা চাদা ৬০% অমদি মসিগী মথক্তা ফংলকখ্রবা শাগৈগী মহৈরোইশিংনা মার্কসিট অমদি সার্টিফিকেটকী Xerox copy অমমমগা লোয়ননা পাস্পোর্ট ফোটো অনী/অনী লাক্লিবা তাং ০৪।১০।২০১৮ ফাউবগী মনুংদা পীশিনবীরক্লবা খঙহজ্ঞরি।

**মরী লৈনবা চে-চাংশিং পীশিনফম ঃ**
ডাঃ সান্ত ক্লিনিকেল রিছার্স সেন্টর ইন হোমিওপেঠী
ইবুধৌ থোঙজুলাকপা সনথোঙ মনাক, থোংজু, কাঞ্চিপুর
# 9862825547, 9436273357, 7005131351, 8732023452

পাউজেঞ্জরিবা
**(নিংঙোম্বম লোকেন মীতৈ)**
সেক্রেটরী
নিংঙোম্বম শাগৈ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন

RP


**সনা-সুদোকু -১৩০৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 4 |
| 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 3 | 8 | 5 | 1 |
| 6 | 8 | 4 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 7 | 3 |
| 1 | 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 | 5 |
| 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 5 | 3 | 9 | 8 |
| 3 | 1 | 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 8 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1308**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | | 6 | 4 | 7 | |
| 2 | 1 | | | | 5 | | | |
| 6 | | | | | | | | 5 |
| | | 7 | 3 | | | 9 | | |
| 4 | | 5 | 6 | 8 | 1 | | 2 | 3 |
| | | | | 9 | | | | |
| | 3 | | | | | | | 1 |
| | | 6 | 9 | 7 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |